# ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO

The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur




সাইক্লোন রিমালগী ঈশিং ঈচাওনা শোকহল্লবা মীওইশিংবু অসাম রাইফলসকী ওপরেসন জল রহটকী মখাদা পর্সনেলশিংনা শাফগদবা মফমদা পুথোক্তুনা থংদোক্লুবা হোৎনখিবা


মরূসি খ্বাইদগী হেন্না মরু ওই হায়দুনা মরূ কৌখিবা ওইগনি ☛ লামায় ২

লামায় ৪ ☛ নুংশাগী মৈশাদি খাঙবা ঙম্মী, থম্মোয়গী মৈচাক্তি ...

লাইনা মীবু ৱারকপা ☛ লামায় ৫

লামায় ৬ ☛ 'য়ূমসি লৈবাক্লা ফক্লাং খাবনিনা মতম কুইনা চঙলগনি'

এগজিট পোলগী দাটা ঙসিদগী ব্রোদকাষ্ট তৌরগনি ☛ লামায় ৮

লামায় ১২ ☛ হর্মনপ্রিট, সুখজিৎ অমসুং গুরজান্টকী পাঞ্জলনা ...


১২শুবা বট্টালিয়ন এন দি আর এফকী দেপ্যুটি কম্মান্দেন্ট অহন্থেম বোবোইগী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ঈচাও মায়োক্লুরবা মীওইশিংদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং খুৎশিন্নবা




Vol. 48, Issue No. 061 | নোংমাইজিং, কালেনগী ২৫/২৬নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Sunday, June 02, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00


### অরোইবা ফেজগী মীখলদা চাদা ৫৯.৫ য়ৌনা ভোট থাদনখ্রে

## আই এন দি আই এ ব্লোকনা মায় পাক্লবদি রাহুল গান্ধীবু প্রাইম মিনিষ্টর ওইহনগনি : খর্গে



**ন্যু দেল্লী, জুন ০১ (এজেন্সী) :** হৌখিবা এপ্রিল ১৯গী অহানবা তাঙ্কক্তা পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সি ১০২দা ১৮শুবা লোক সভা মীখলগী ভোট থাদনখ্রবা মতুং তাঙ্কক নাইনা চথরক্লিবা মীখল অসিগী ঙসি তরেৎশুবা অমসুং অরোইবা তাঙ্কক্তা লোক সভা কন্সটিট্যুএন্সি ৫৭তা চাদা ৫৯.৫ য়ৌনা ভোট থাদনদুনা লোইশিনখিবগা লোয়ননা করিগুম্বা থা অসিগী ৪দা মশীং থিগদৌরিবা ইলেক্সন অসিগী রিজল্টদা ওপোজিসন আই এন দি আই এ ব্লোকনা মায় পাক্লবদি রাহুল গান্ধীবু প্রাইম মিনিষ্টর ওইহন্নবা হোৎনগনি হায়না এ আই সী সীগী প্রসিদেন্ট মালিক অর্জুন খর্গেনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি য়ুনিয়ন টেরিটরি চান্দিগড় অমসুং ষ্টেট তরেৎতা পাঙথোকখিবা অরোইবা মীখলদা উত্তর প্রদেশকী বরানসি পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মীরেপ ওইদুনা লোক সভাদা মহাক্লা অহুল্লকশুবা টর্মগী ওইনা মেম্বর ওইননবা মীখলদা শরুক য়াখি।

ঙসি মীখল পাঙথোকখিবা পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সি ৫৭কী মনুংদা অকনবা মওংদা নুংশা শাখিবা পঞ্জাবকী সিট ১৩ মক য়াওরগা হিমাচল প্রদেশতা ৪, উত্তর প্রদেশ ১৩, ৱেষ্ট বেঙ্গল ৯, বিহার ৮, ওড়িষা ৬ অমসুং ঝরখণ্ডগী কন্সটিট্যুএন্সি অহুম য়াওখি।

মতাংসিদা পলহৌবা য়াবদি, তাঙ্কক তরেৎ থোক্লা পাঙথোরক্লিবা হন্দক্কী লোক সভা মীখল অসিগা ইরোয়ননা অন্ধ্র প্রদেশ, অরুনাচল প্রদেশ অমসুং সিক্কিমগী এসেমব্লি ইলেক্সনগী মীখলসু পাঙথোকখিবনি। মীখল অসিদা বি জে পিনা লুচিংবা নেসনল দেমোক্রেটিক এলাইএন্স (এন দি এ) না অহুল্লকশুবা ওইনা লৈঙাক পায়ননবা অঙম্বা পান্দ্বে পুথোক্তুনা হোৎনখিবগুম্না ওপোজিসন আই এন ...মখা লমায় ৩ কলম ৩

### সাইক্লোন রিমাল : তুরেলশিংগী ঈমাই হন্থরক্লবসু রিলিফ কেম্পশিংদা মীওই লিশীং ২ রোম চঙজফম লৌরি

**ইম্ফাল, জুন ০১ (ঐচএনএস) :** মণিপুর লৈঙাক্লা মাঙজৌননা খঙলবসু লৌখৎফম থোকপা মাঙজৌনবা চেকশিন থৌরাংশিং অমত্তা লৌখৎহৌদবদগী মমাঙ থাগী ২৬তা মণিপুরদসু সাইক্লোন রিমাল য়ৌশিল্লক্তুনা নুমিৎ খরনি লেপ্তুনা চুখিবা অকনবা নোংনা চীং অমসুং তমগী মফম কয়া ঈশিং থুমহনখিবগা লোয়ননা অচৌবা তুরেলশিংগী তোর্ব্বান কাইদুনা ঈশিং পাথরকপদগী ঈশিং-ঈচাও মায়োক্লুরবা মতুং ঙরাংদগী হৌরদুনা মরু ওইবা তুরেলশিংগী ঈমাই হন্থরকখ্রবসু ঈচাও মায়োক্লুরবা মীওই লিশীং ২ রোম তোঙান তোঙানবা মফমদা হাংবা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌরি।



লম্বোইখোংনাংখোঙদা হাংবা ঈশিং-ঈচাও মায়োক্লুরবশিংগী রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরিবশিং

ঙসি অয়ূক্তগী হৌরদুনা পাউচে অসিনা ঈশিং-ঈচাও মায়োক্লুবদগী শাফগদবা মফমশিংদা হাংলিবা রিলিফ কেম্প খরদা কোইনা চৎতুনা য়েংলুবদা থেংনরকখিবশিংগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী লম্বোইখোংনাংখোঙ কৈথেলগী রিলিফ কেম্পতা মীওই ১০, ইমোইনু শঙলেন (লম্বোইখোংনাংখোঙ) দা ৯০ অমসুং লম্বোইখোংনাংখোঙ কম্যুনিতি হোলদা মীওই ৪০ চঙজফম লৌরমখি।

উরিপোক অচোম লৈকায়গী কম্যুনিটি হোলদা মীওই ৮০, উরিপোক খোইস্নাম লৈকায় কম্যুনিতি হোলদা মীওই ১৮, লম্ফেল য়াইফ লৈকায়গী ক্লবতা মীওই ৭, ইরোইশেম্বা কম্যুনিটি হোলদা মীওই ৩৮০, তাকয়েল খোংবাল মনীং লাইরেম্বী শঙলেন্দা মীওই ১০০, শগোলবন্দ অমুদোন মল্টিপর্পজ হোলদা মীওই ৩০০, সেকমাই খুন্দো কাংজেবুং অপ্পর প্রাইমারি স্কুলদা মীওই ১২০, মফম অসিগী নিলপদ্মা হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা মীওই ১০০, খোঙহামপাৎ ময়ায় লৈকায় কম্যুনিটি ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

### ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বী ফাওনদবা য়াদবদগী শঙ্গাদ্রবসু ঈরং থোং লানবা হৌরে



**ইম্ফাল, জুন ০১ (ঐচএনএস) :** মমাঙ থাগী ২৬তা মণিপুরদা য়ৌশিল্লকখিবা সাইক্লোন রিমালনা মরম ওইরদুনা নুমিৎ খরনি নোং লেপ্তুনা চুখিবদগী এন ঐচ ৩৭ - ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বী পরিংদা লৈরিবা ঈরং তুরেলগী ঈমাই ৱাংখৎলকপদগী ঈরৈনা ঈরংগী য়োৎকী থোং চেন্থদুনা পুখ্রবা মতুংদগী নেসনল হায়ৱে পরিং অসিদা জিরিবাম লোমদগী ইম্ফাল তম্না চঙলকখিবা পোৎ চৈ পুবা ত্রকশিংসু য়ৌশিল্লকপা ঙমদবা অমসুং ইম্ফালদগী চৎখিগদবসু অপনবা ওইদুনা লৈরকপদগী তঙাইফদনা ওফিসল ওইনা শঙ্গাদ্রবসু ঈরং তুরেলগী মথক্তা এন ঐচ আই দি সী এলনা নৌনা শাগৎখিবা আর সী সী ঈরং ব্রিদজদা পোৎ পুবা গাড়ীশিং আর্মিনা নীংথিজনা ঙাক শেল্লবা মতুংদা লান্থোক-লানশিন তৌবা হৌখ্রে।

পনবা য়াবদি, লেপ্তুনা চুরকখিবা নোং অমসুং তুরেলগী ঈমাই ৱাংখৎলকপনা নেসনল হায়ৱে অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম ১৯২দা অমাঙ-অতা থোকহনখি ...মখা লমায় ৩ কলম ৮

### জুন ৪দা ভোট মশীং থিনবা থৌরাং তৌরে

## মণিপুরগী ওইনা দিষ্ট্রিক্ট ১১গী কাউন্টিং সেন্টর ২৪দা ভোট মশীং থিগনি

**ইম্ফাল, জুন ০১ (ঐচএনএস) :** চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর (সী ঈ ও), মণিপুরনা ঙসি থোরকপা চেরোল অমদা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা পীরকপা পাউতাক মতুংইন্না ষ্টেট অসিদসু থা অসিগী ৪দা ১৮শুবা লোক সভা মীখলদা ভোট থাদনখিবা মণিপুরগী পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সি ২গী ভোট মশীং থিনবা থবকশিং মপূং ফানা পায়খৎলে। নুমিৎ অসিদা দিষ্ট্রিক্ট ১১ - ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, বিষ্ণুপুর, থৌবাল, চান্দেল, উখ্রুল, সেনাপতি, কাংপোকপী, তমেংলোং, চুড়াচান্দপুর অমসুং জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরগী অপূনবা কাউন্টিং সেন্টর ২৪দা পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সি অনীগী ভোট মশীং থিগনি।

দিষ্ট্রিক্ট ১১গী কাউন্টিং সেন্টর ২৪ অসিগী মনুংদা কাউন্টিং হোল ৫০ লৈগনি। মসিগী মনুংদা কাউন্টিং হোল মঙানা পোষ্টেল বেল্লোট অমসুং ঈ টি পি বি এসশিংগী মশীং থিরগা কাউন্টিং হোল ৪৫দনা ঈ ভি এম অমসুং ভিভিপেটশিংগী মশীং থিগনি। ভোট মশীং থিবগী থবক অসি য়েংশিন্নবগীদমক ঈ সী আইনা খনখ্রবা কাউন্টিং ওবজার্ভর ২৫ ভোট মশীং থিবা হৌদ্রিঙৈদা থুংলরগনি হায়রি। নুমিৎ অসিগী অয়ূক পুং ৮দগী ভোট মশীং থিবা হৌগনি। মরম অসিনা অয়াবা পীরবা কেন্দিদেটশিংগী কাউন্টিং এজেন্টশিংনা ভোট মশীং থিবদা শরুক য়ানবা অমসুং ষ্ট্রোঙ রুমশিং হাংদোকপদা য়াওনবা মাগী-মাগী রিটর্নিং ওফিসর/এ আর ওশিংনা খঙহনবগী মতুংইন্না লাক্কদবনি হায়রি। সিক্যুরিটিনা মরোল অহুম থোক্লা ঙাক্লগা পাঙথোক্কদবা ভোট মশীং থিবা অসিদা অয়াবা পীদবা মীওইশিং চঙবদা অথিংবা লৈগনি হায়রি।

### থক্ল-চানবা অফবা ঈশিং ৱাৎতনা লৈরি : মিনিষ্টর সুসিলদ্রো



**ইম্ফাল, জুন ০১ (ঐচএনএস) :** নুমিৎ খরনিগী মমাঙদগী লমদমসিদা ঈশিং ঈচাও মায়োক্লুরল্লগা হৌজিক ঈশিং ময়েং তারকপা অমদি মফম খরদনা কংলক্লবসু থক্ল-চানবা অফবা ঈশিং ফংনদবগী খুদোংচাদবা থোক্লকপদগী চান-থক্লবা অফবা ঈশিং ৱাৎতনা লৈরি হায়না পি ঐচ ঈ দি মিনিষ্টর এল সুসিলদ্রোনা ফোঙদোকখ্রে।

ইম্ফালগী খুয়াথোংদা চেল্লিবা নাগা তুরেলদগী অমদি ইম্ফাল তুরেলদগী কেক্রুপাৎ লোমদা পাথরকপা ঈশিংনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল লোমদা চেনশিনবা থিংনবগী লৌখৎলক্লিবা থবক্তা হকথেংননা শরুক য়ারম্বা মিনিষ্টরদা পাউমী খরনা হংবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি।

মহাক্লা হায়, ঈচাওনা শোকহল্লবা মফম খরদা ঈশিং থাবা য়াদবদগী থাদ্রি অদুবু অতোপ্পা মফমশিংদদি থারি। মীয়াম্না খুদোংচাগদবা ওইরবদি মথৌ তাবা ঈশিং লাক্লগা লৌরবসু য়াগনি হায়খি।

মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, খুমন লম্পাক্তা লৈরিবা ৱাটর সপ্লাই অসিদি ঈশিং থুমজিনখিবনা থক্লা চানবা অফবা ঈশিং লৌবা য়াদ্রে অদুবু পোরোম্পাৎ অমদি চীংখৈ চীংগী ৱাটর সপ্লাই স্কিমদগীদি লাক্লিবা ওক্টোবর/নবেম্বর ফাওবগী কোন্নগদবা থক্লা-চানবা অফবা ঈশিং ৱাত্তনা লৈরি। ঈচাওনা ঈশিং ...মখা লমায় ৯ কলম ৫

### মোরেদা মীওই ১ দ্রগ অমসুং লুপা লাখ ৩.৫গা কোন্নবা ফারে

**ইম্ফাল, জুন ০১ (ঐচএনএস):** মণিপুর পুলিসকী কন্ট্রোল রুমদগী ঙসি নুমিদাংৱাইরম থোরকখিবা চেরোল অমদা ঙরাং মোরে পি এসকী মনুং চল্লিবা সিব মন্দির মনাক্তা লৈবা দালপতি রোদতগী মশাগী চহী ৩০ রোম শুরবা চিনগাইবুং কৌবা মীওই ...মখা লমায় ৯ কলম ১


গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা



**HL Poll**

Q : Manipurgi Lok Sabhagi seat animak opposition congressna fanggani haina exit poll kharana phongdoraklibasi achumba oigadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes | No

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Mangjounana Waishel Maril ningthijana sengdoklamlabadi Imphal manungda ishing ichao mayoknabadagi kanba ngamlamgadra?

Yes 67% No 33%


**অস! লোইরেহে!**

- গাড়ীসু মাঙদনবা হূই লোইয়ু হায়দ্রা?

- ꯏꯁꯤꯡꯗ ꯍꯣꯜꯂꯝꯂꯕ ꯂꯝ ꯆꯪꯂꯣ ꯂꯤꯕꯔꯥ?



- হূইদুনা নহান হুখ্রে।

- ꯂꯃꯗꯝ ꯑꯁꯤ ꯂꯥꯏꯕꯛ॥

### নোংমৈ চিন্দোলদা আই আই টিগী ষ্টাফ ৪ ফারগা পুখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ০১ (ঐচএনএস) :** ঙরাং নুমিদাং পুং ৮.৩০ রোম তারকপদা সেনাপতি পি এসনা কোল্লিবা ময়াংখাং নিংথৌফমদা লৈবা ইন্দিয়ন ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি (আই আই টি) ওফিসকী ষ্টাফ মরি শকখঙদবা খূৎলায় পায়বা মীওইশিংনা নোংমৈ চিন্দোলদা নমদুনা ফারগা পুখ্রে হায়রি।

ফাদুনা পুখ্রবা ষ্টাফশিং অদুদি সাইলেন্দর কুমার, জি কিষন কুমার, রজনিস রঞ্জন অমদি অমিট মিশ্রা কৌই হায়রি। মখোয় মরিনা আই আই টি ওফিস অসিগী সিক্যুরিটি বেরেক্তা লৈরিঙৈদা শকখঙদবশিং অদু চঙলক্লগা নমদুনা ফারগা পুখিবনি হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা সেনাপতি পি এসনা কেস এফ আই আর নম্বর ১১ (৬) ২০২৪ অন্দর সেক্সন ৩৬৪-এ, ৪০০, ৩৪ আই পি সী অমসুং ২৫ (১-সী) আর্মস এক্ট রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখ্রে। কেস অসিগা মরী লৈননা মখোয় অহুমগী খোঙ্গুল লীবসু হৌখ্রে। অদুম ওইনমক ঙসি নুমিদাং অথেংবা ফাওবদা মখোয়বু রেস্কু তৌবগী পাউ ফংখিদে।

### ব্রাউন সুগরগা কোন্নবা ফাখিবা অহল ১ কোর্টনা ফাদোক পীখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ০১ (ঐচএনএস) :** ওক্টোবর ২০, ২০২২দা এন এ বি পি এসকী পর্সনেলশিংনা এন ঐচ ২ পরিংগী কংলাতোংবী কৈথেলদা ফ্রিস্কিং অমসুং চেক্কিং চথরিঙৈদা সেনাপতি রোমদগী ইম্ফাল তম্না লাকখিবা টাটা জেনোন (অঙৌবা) এ এস-২৩/বি সী-৬০৮৬ খামদুনা চ্যেক তৌরুবদা তোঙান তোঙানবা ময়োম অহুমদা ব্রাউন সুগর হাপ্তুনা পুরকখিবদগী দ্রগশিং অসিগা কোন্ননা ফাখিবা লিতান পি এসকী মনুং চনবা মোলনোম খুলদগী খুপলান খোংশাই (৬৫) অপোকপা লৈখিদ্রবা জি লিজাং খোংসাইবু ঙসি স্পেসল কোর্ট (এন দি এন্দ পি এস), মণিপুর (লম্ফেলপাৎ) না লাউথোকখিবা জজমেন্ট অমদা মরাল লৈরে হায়দুনা ফাদোক পীখ্রে।

কেস অসিগী ৱায়েলদা প্রোজিক্যুসনগী মায়কৈদা স্পেসল পব্লিক প্রোজিক্যুটর এম রাইচান্দনা লেপখি। কোর্টনা ঙসি পীখিবা জজমেন্ট অসিদা দ্রগ পুরকখিবা গাড়ী অদুসু মৎলগনি হায়খিবগা লোয়ননা মহাক্কী ফাদোক্কী মতম লেপথোক্লুবা সেন্টেন্স হিয়ারিংনা লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

### স্পেসল চীফ সেক্রেটরি ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীখিবা এম ঐচ খাননা সেক্রেটরি ওইনা লোয়শঙ ৫ পুরগনি

**ইম্ফাল, জুন ০১ (ঐচএনএস) :** মণিপুর লৈঙাক্লা চহী অসিগী মার্চ ১৫দা থোকখিবা ওর্দর অমদা লৈঙাক অসিগী স্পেসল চীফ সেক্রেটরি ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীখিবা এম ঐচ খানবু এদমিনিষ্ট্রেটিভ সেক্রেটরি ওইনা মথৌ পাঙথোকহনবগা লোয়ননা মখা তাবা ওর্দর অমা থোক্ত্রিবা ফাওবা তোঙান তোঙানবা লোয়শঙ ৫গী থবক থৌরমশিং পাঙথোকহল্লগনি হায়রি।

মসিগী মতাংদা ঙসি স্পেসল সেক্রেটরি (দি পি) না ওর্দর অমা থোকখ্রে। ওর্দর অসিগী মতুংইন্না এদমিনিষ্ট্রেটিভ সেক্রেটরিগী থবক তৌরগদবা এম ঐচ খাননা য়েংশিনগদবা লোয়শঙশিংনা ফোরেষ্ট, এনভাইরনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ, রিলিফ এন্দ দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট, রুরেল দিভেলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়টি রাজ, এদমিনিষ্ট্রেটিভ রিফোর্মস এন্দ ট্রেনিং অমসুং ট্রাইবেল এফেয়র্স এন্দ হিলসকী মথক্তা মণিপুর ভবন, ন্যু দেল্লীগী ও এস দিসু ওইরগনি হায়রি।

### প্রোফেসর সোমায়াজুলুনা এন আই টি মণিপুরগী দিরেক্টরগী চার্জ লৌখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ০১ (ঐচএনএস) :** লাঙ্গোলদা লৈরিবা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রি ওফ এদ্যুকেসনগী মখাদা ওটোনোমস ইন্সটিট্যুট ওইনা লৈরক্লিবা নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি (এন আই টি)এ মণিপুরগী দিরেক্টর ওইনা প্রোফেসর দি ভি এল এন সোমায়াজুলুনা ঙসিদগী চার্জ লৌদুনা মথৌ পাঙথোকপা হৌখ্রে হায়রি।

ৱাফম অসি এন আই টি, মণিপুরগী রেজিষ্ট্রারনা ঙসি থোকখিবা নোটিফিকেসন অমনা ফোঙদোরকখিবনি।

কনাগুম্বশিংনা কনফিদেন্সিএল লেট্টরশিং অমসুং দিরেক্টর মশামক্লা মীৎয়েং চঙবগী মথৌ তারকপা কম্যুনিকেসন পূম্নমক দিরেক্টর অসিগী ওফিসকী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫৮১২ অমসুং ঈ-মেল director@nitmanipur.ac.in অমসুং directornitmanipur@gmail.com দা পীশিল্লকপা য়াগনি হায়রি।

### ককচীংগী পোষ্ট ওফিস পাস্পোর্ট সেবা কেন্দ্র হোংখিদনবা মিনিষ্ট্রিদা হায়জখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ০১ (ঐচএনএস) :** নবেম্বর ১৯, ২০২১দা য়ুনিয়ন ষ্টেট মিনিষ্টর (এদ্যুকেসন এন্দ এক্সটর্নেল এফেয়রস) আর কে রঞ্জননা ককচীংগী জে এন এন আর এম হোলদা হাংদোক্লমখিবা পোষ্ট ওফিস পাস্পোর্ট সেবা কেন্দ্রবু অতোপ্পা মফম অমদা হোংদোকহনবীখিগনু হায়না জোইন্ট নন গভর্ণমেন্ট ভোলন্টরি ওর্গনাইজেসন (জে এন জি ভি ও) ককচীংগী প্রসিদেন্ট অমসুং জেনরেল সেক্রেটরিনা ঙরাং মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফেয়রসকী সেক্রেটরিদা অইবা চেরোল অমা পীশিন্দুনা হায়জখ্রে হায়রি।

পাস্পোর্ট সেবা কেন্দ্র অসি মমাঙ চহীগী মে ৩দগী হৌরকখিবা ঈরাংনা মরম ওইরদুনা হৌজিক ফাওবদা ওনলাইন এপোইন্টমেন্টশিং পাঙথোরক্তবগা লোয়ননা থিংজিন্দুনা থল্লকখিবনি অদুবু হৌজিক থা কয়াগী মমাঙদগী ইন্টরনেটকী খুদোংচাবা ফংলবা ফাওবা অথিংবা অসি লৌথোক্তবা অসি অঙকপা পোকই হায়রদুনা পাস্পোর্ট সেবা কেন্দ্র অসি মফম অসিদগী হোংদোকহনবীগনু হায়জখিবনি।

### রিলিফ কেম্পদগী ক্লাস টেনগী এগজামিনেসনদা মায় পাক্লক্লবা মহৈরোয় ৩ মকা লাম্না নোকহৌদ্রি

#### *হকথেংনবা পাউদম*

#### *রিলিফ কেম্পতগী মহৈরোয় অহুম*

**ইম্ফাল, জুন ০১ (ঐচএনএস) :** মে ৩, ২০২৩দগী কুকি টেররিষ্টশিংনা মীতৈদা অতম্নুনা ওনশিন্দুনা তমথীরবা লান চথরকপদগী লাঞ্জেন্নরক্তুনা মেকোলা গুলাপ হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবা মহৈরোয়শিংগী মনুংদগী বোসেমনা লৌদুনা পাঙথোকখিবা হন্দক চহীগী ক্লাস টেনগী এগজামিনেসনদা মহৈরোয় তরুক শরুক য়াখিবগী মনুংদা অহুমগা হকথেংননা উনরুবদা মখোয়না হায়, ক্লাস টেনগী এগজামিনেসনদা মখোয় অহুমগা পূন্না রিলিফ কেম্প অসিদা লৈরকখিবা মহৈরোয় তরুক শরুক য়াখিবদা মখোয় তরুকমক পাস তৌরকপদা হায়নীংঙাই লৈতনা হরাওবা পোকই।



এগজামিনেসন অসিদা ঐখোয় মায় পাক্লক্লবনিনা ঐখোয়গী তুংগী পূন্সিগীদমক করি তৌসিগে হায়না খনবা হৌরে হায়রদুনা হরাও মীনোক তল্লদুনা ফোঙদোরকখি। অদুবু এগজামিনেসন অসিগী রিজল্ট লাউথোরকপদা মখোয় মায় পাক্লে হায়দুনা মায়থোঙ মকা লাম্না উবা ফংখ্রবসু থংনবা মীকুপ্তদি 'রিলিফ কেম্প' হায়বা ৱাহৈ অনীসিনা মখোয় অহুম্মক ...মখা লমায় ৯ কলম ৭

### প্রিপাক (প্রোগ্রেসিভ) কী '১৪শুবা প্রোগ্রেসিভ দে' পাঙথোকখ্রে

## 'দেল্লীনা শাবা রোবোটকুল্লবা মৈতৈ পোলিটিসিয়নশিংবু থাজগনু'

**ইম্ফাল, জুন ০১ :** পিলস রেভল্যুস্নরি পার্টি ওফ কংলৈপাক (প্রিপাক-প্রোগ্রেসিভ) কী ঙসি পাঙথোকখিবা '১৪শুবা প্রোগ্রেসিভ দে' থৌরমগা মরী লৈননা লালহৌলূপ অসিগী চ্যেরমেন লোংজম পালিবা এমনা মীয়ামদা ৱাফম খরা থল্লক্লি।



ইন্দিয়া হায়বদি ওইদ-পাদবা, শেঞ্জা-থুমজা, নমথলোল হায়বনি। ইন্দিয়াগী সোরি গো রাউন্দদগী নীংখা তমসি। দেল্লীনা শাবা রোবোটকুল্লবা মৈতৈ পোলিটিসিয়নশিংবু থাজবীগনু হায়না হৌবা চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, ঙসি জুন ১, ২০২৪ নুমিৎসিদা নীংতম লানদা থৱায় কত্থোকখ্রবা পূন্নমক্কী মফমদা ইকায়খুম্নজদুনা প্রিপাক (প্রোগ্রেসিভ) কী '১৪শুবা প্রোগ্রেসিভ দে' থৌরমসিদা চ্যেরমেনগী ওইবা ৱাখল্লোন খরা মীয়ামদা থমজরি হায়রি। হৌজিক থোক্লিবা ৱাথোক-লান্থোক অসিদা অৱা অনা, মীশি-মীনা নংনরবা ইমুংশিংগী অৱাবদা পূক্লিং লূপ্না শরুক য়াজরি হায়রি।

ইন্দিয়াগী পোলিটিকেল বাউন্দরিদি ওইদ-পাদবা, ...মখা লমায় ৯ কলম ১


ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫